33T MMAN

# 2023

# MANIPURI

## (MODERN INDIAN LANGUAGE)

**Full Marks : 100**

**Pass Marks : 30**

**Time : Three hours**

***The figures in the margin indicate full marks for the questions.***

| | |
|---|---|
| *Q. No. 1 (Ka to Nya) carries 1 mark each* | 1×10=10 |
| *Q. No. 2 carries 2 marks each* | 2×6=12 |
| *Q. No. 3 carries 4 marks each* | 4×1=4 |
| *Q. No. 4 carries 4 marks each* | 4×1=4 |
| *Q. No. 5 carries 4 marks each* | 4×1=4 |
| *Q. No. 6 carries 4 marks each* | 4×1=4 |
| *Q. No. 7 carries 5 marks each* | 5×2=10 |
| *Q. No. 8 carries 5 marks each* | 5×1=5 |
| *Q. No. 9 carries 5 marks each* | 5×1=5 |
| *Q. No. 10 carries 6 marks each (any two)* | 6×2=12 |
| *Q. No. 11 carries 5 marks* | 5×1=5 |
| *Q. No. 12 carries 5 marks each (any three)* | 5×3=15 |
| *Q. No. 13 carries 10 marks* | 10×1=10 |
| | Total = 100 |

*Contd.*

১। য়াম্না তেন্না পাউখুম পীয়ু ঃ ১×১০=১০

(ক) কেগে হায়রগা করম্বা লমদম্মু খঙনরম্বগে?

(খ) কনানা মণিপুরবু 'নোংপোক ভারতকী কশ্মীর' হায়না কৌরম্বগে?

(গ) হোজিক্কী মণিপুরী সাহিত্য অসি চহি কয়ামুক্তা ঙাইরিবগে?

(ঘ) নুপীলাল থোকখিবগী মরন করিগীনো?

(ঙ) 'মথৱাই খুবাক্তা হাপ্পা' হায়বগী অর্থ করিনো?

(চ) "মসি উইরিমাল্লে, লুমিৎ থোক্কদৌরা ফাউবদা।"
— উইরিবসি কনানো?

(ছ) এডুকেসন হায়বসি করম্বা লোলদগী লাকপনো?

(জ) 'য়ারল পাৎকী তোমথিনলৈ' হায়বসি করিনো?

(ঝ) 'শিরুম-নারুম্বা মৈতৈ' হায়রিবসি কনাবুনো?

(ঞ) 'কাঞ্চি কোনগী চেক-নুংশি' হায়রিবসি কনাবুনো?

২। ৱাহৈপরেং ২/৩ দা পাউখুম পীয়ু ঃ ২×৬=১২

(ক) মার্টিন লুথরনা বাইবলবু করি লোলদা হন্দোকখিবগে? বৌদ্ধ ধর্মবু করম্বা লোলদা শন্দোকখিবগে?

(খ) মোইরাং লৈবাক্তা নুপীগী ফিভম কমদৌরম্বগে?

(গ) "অদুমদি ফম্মিন্নগনী; মায়দি ওন্সিন্নরোই।"
— ৱাফম অসি কনা কনাগী মরমদা হায়রিবনো?

(ঘ) কনানা করিগীদমক্তা চিংনুং-মানুংদা হাইজিন্দুনা লল্লোনবগে?

(ঙ) "পাবো, হৌজিক থোংনবা চেং লৈতে।"
— কনানা কনাদা হায়রিবনো?

(চ) "হৌজিকমকসু নুমিৎ ময়াম থোকক্কদবা ৱাংলি মথং মথং"
— 'নুমিৎ ময়াম থোরক্কদবা ৱাংলি' হায়বসিনা করি খঙহন বগে?

৩। (ক) হিজম অঙাংহলগী খুৎইগী মশক তাক্কুনা ইয়ু। ৪

*নত্রগা*

(খ) সমাজদা মৈতে নুপীনা লৌরিবা থৌদাং অনিগী মরমদা শন্দোক্লা ইয়ু। ২+২=৪

৪। (ক) ইনখৎলকপা চহি মতাংগী অরানবা ৱাখল্লোনশিংগী মরমদা ইয়ু। ৪

*নত্রগা*

(খ) টেক্নোলোজিনা খুমাং চাউশিল্লকপগী মহৈদু ইয়ু। ৪

৫। (ক) "স্বার্থত্যাগকী শিদ-হিদাক,
থাবীয়ু মন্দিরগী অকোয়বদা"
— 'স্বার্থত্যাগকী শিদ-হিদাক' হায়রগা করিবু খংনবগে? করিগীদমক্তা থাবীয়ু হায়রিবনো ইয়ু। ১+৩=৪

*নত্রগা*

(খ) "কদোমদনো লম্বেনসিবু —
চিনগা খুৎকা মান্নদবা"
— 'চিনগা খুৎকা মান্নদবা' হায়বগী অর্থ করিনো? কবিনা ফোংদোক্লিবদু ইয়ু।
১+৩=৪

৬। (ক) 'লৈ লাংবা' শৈরেংদা কবিনা হায়নিংলিবদু করিনো শন্দোক্না তাকউ। ৪

*নত্রগা*

(খ) 'মণিপুর' কৌবা শৈরেংদা কবিনা ফোংদোক্লীংলিবদু করিনো হায়বদু শন্দোক্না ইয়ু। ৪

৭। ৱাহং অনিখক্কী পাউখুম পীয়ু ঃ ৫×২=১০

(ক) "নুপী নিপাগী মরন্নি, মথৱাইদা পাঞ্জবনি।"

— করিগীদমক্তা নুপীবু নিপাগী মরন্নি হায়বদু ইয়ু। ৫

(খ) "ইস ফজরেদা, হাউরনিদা পাবো।"

— কনানা হায়বনো? ফজরেদা হায়রিবসি করি পোৎনো? মরী লৈনবা থৌদোক্কুগী অতেনবা ৱারেং অমা ইয়ু। ১+১+৩=৫

(গ) "শাপ নত্তে, অমাঙবা নত্তে, বরনি' হায়রিবসি অইবা কনাগী মরমদা হায়রিবনো? মসি হায়বগী মরম করিনো? ১+৪=৫

৮। (ক) হিদাক লান্না শিজিন্নবনা ওইহনবা মওং মরিখক ইয়ু। ৫

*নত্রগা*

(খ) ভেল্যু এদুকেসনগী তঙায়ফদবা লৈরকপগী অহেনবা মরম অনিগী মতাংদা শন্দোক্না ইয়ু। ৫

৯। (ক) 'পুন্সি হিদোম' কৌবা শৈরেংগী ৱামচং ইয়ু। ৫

নত্রগা

(খ) "লৈকোল অসি কুইদরি!
খোন্নৌ নহা খোইনিং অমা
খোংজরমই মখৌ পোংনা
চেল্লা মদোম ঙাইজখি
নীংঙমখিদে মহাকথক-কুইদরি!"
— 'খোন্নৌ নহা খোইনিং' হায়রিবসি কনাবুনো? শৈরেং মতেক অসিগী নুংগী ভাব অদু ইয়ু। ১+৪=৫

১০। য়াউফম মরী-মখোঙ তাকতুনা শন্দোক্লা ইয়ু ঃ (অনিদংগী) ৬×২=১২

(ক) কুংলবা লৈচিল মপৈ নমখায়দুনা
পাউ লাকই
নুমিৎ লাক্লনি নুমিৎ লাক্লনি। ৬

(খ) হৌজিক্তি রুদ্রগী তাণ্ডব জগোয়-
পৃথ্বী থক-খা ওলহনবা নটরাজ শিবগী
প্রলয়-ইঙ্গিৎ লৈপাক লৈমা চেকখায়দৌরে। ৬

(গ) মতম কুইনগী তুংদা
লেঙশিল্লক্লে ইমা মৈতৈ চনু,
মৈতৈ সাহিত্য মন্দির মনুংদা। ৬

১১। (ক) এলাংবম নীলকান্তগী মতুংইন্না হিজম অঙাংহল অমসুং অশাংবম মীনকেতনগী ৱারেংগী খুৎইগী মশক তাকউ। ৫

নত্রগা

(খ) "লেম্না পুরিবা নত্তে হাই! পৈশা পীরক্কদৌরিবনি।"
— কনানা কনাদা হায়রিবনো? পুরিবা পোৎ অদু করিনো? মরী লৈনবা থৌদোক অদু তেন্তক্লা ইয়ু। ১+১+১+২=৫

১২। অহুমখক্কী মরমদা ইয়ু ঃ ৫×৩=১৫

(ক) থৌবাঙ (কারক) কদাইবু কৌবগে? অনিদংগী মরমদা খুদম পীদুনা ইয়ু। ১+২+২=৫

(খ) ৱাতপ (প্রত্যয়) করিনো? মখল কয়া শুবগে হায়বদু খুদম পীদুনা তাকউ। ২+৩=৫

(গ) সমাস করিনো? খুদমগা কোন্ন মখল কয়া শুবগে হায়বদু ইয়ু। ২+১+২=৫

(ঘ) উপসর্গ করিনো? মখল কয়া শুবগে হায়বদু খুদম পীদুনা ইয়ু। ২+৩=৫

১৩। অমখক খল্লগা রচনা (Essay) ইয়ু ঃ ১০×১=১০

(ক) কম্প্যুটর ২+২+২+২+২=১০

*(অ)* ৱাহৌদোক

*(আ)* কম্প্যুতর পুথোকখিবা

*(ই)* মসিগী কান্নবা

*(ঈ)* মসিগী অমাঙবা

*(উ)* ৱারোইশিন

(খ) হকচাং শাজেল ২+২+২+২+২=১০

*(অ)* ৱাহৌদোক

*(আ)* হকচাং শাজেলগী কান্নবা

*(ই)* হকচাং শাজেলগী মখল/মওং-মতৌ

*(ঈ)* মহৈরোই অমসুং হকচাং শাজেল

*(উ)* ৱারোইশিন

২+২+২+২+২=১০

(গ) অকোয়বগী ফিভম মোৎশিল্লকপা

(অ) ৱাহৌদোক

(আ) অকোয়বগী ফিভম কনবগী তঙাইফদবা

(ই) অকোয়বগী ফিভম মোৎশিল্লকপগী অমাঙবা

(ঈ) অকোয়বগী ফিভম কন্নবা থৌরাংশিং পায়খৎপা

(উ) ৱারোইশিন

———×———